# নাগা পোলিটিকেল ইস্যু মতম চানা লোইশিনবা ঙমদ্রবদি বি জে পিদা তাইনফম থোক্তে : তেমজেন ইমনা অল্লোং



কোহিমা, ওগষ্ট ১৪ (এজেন্সি):
চহী কয়া ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদনা লাক্লিবা নাগা পোলিটিকেল ইস্যুগী ৱারোইশিন মথং চহীগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কনি হায়না পানরিবা ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সন মাঙওইননা লোইশিনবা ঙদ্রবদি নাগা মীয়াম অমদি ৱারী শান্নবদা শরুক য়ারিবশিংনা বি জে পিদা তাইনফম থোক্তে হায়না নাগালেন্দ বি জে পিগী প্রসিদেন্ট তেমজেন ইমনা অল্লোংনা ফোঙদোকখ্রে।

হিরম অসিগা মরী লৈননা মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, সেন্টরনা মতম শাংনা চয়েৎনদুনা লাক্লবা নাগা পোলিটিকেল ইস্যু অসি অথুবা মতমদা লোইশিনবা পাম্মী হায়বসিদি ময়েক শেংলবা ৱাফম অমনি। অদুবু নাগা পোলিটিকেল ইস্যু লোইশিন্নবা হোৎনবদা নাকল অনীগী মরক্তা য়াশিন্নবা মথৌ তাই। তাল্লিবা দিমান্দ ফংদ্রবদি খোঙফম হন্দোক্লোই হায়দুনা লৈরবদি ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবদা খুরৌ থাংবশিং থোক্লকপা য়াই। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্রা মোদি অমদি হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনা নাগা পোলিটিকেল ইস্যু অসি মতম চানা লোইশিন্নবা হোৎনরি। অদুবু মসি লোইশিন্নবা হোৎনবদা সেন্টরনা থল্লকপা ৱাফম খরসু ঐখোয়না য়াবা মথৌ তাই। করিগুম্বা মতম চানা নাগা পোলিটিকেল ইস্যুগী ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদ্রবদি বি জে পিদা তাইনবা খক য়ারোই। মরমদি পার্টি অসিগী ওইনদি অঙন্বা থাক্তা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনরি হায়রি।

মহাক্না মখা তানা হায়খিবদা, নাগালেন্দগী চীফ মিনিষ্টর নৈফ্যু রিও অমসুং দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই পেতোনসু নাগা পোলিটিকেল ইস্যুগী মতাংদা শেমখিবা কোর কম্মিটিদা য়াওরি। লুচিংবা অনীগী মায়কৈদগীসু অঙন্বা থাক্তা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনরি। অদুবু এন এস সী এন-আই এম অমসুং সেন্ট্রেল গভর্নমেন্ট অনীগী মরক্তা পোইন্ট খরদা য়ানবা পুরকপা ঙমদবদগী ঙসি ফাওবা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদনা লাক্লি। মসিগী মতাংদা নাগা মীয়াম্না চপ চাবা ফিরেপ অমা লৌদুনা ৱাখল মুন্না খল্লবা মতুং সেন্টরনা হায়রিবা ৱাফম য়াবা নৎত্রগা য়াদবা হায়বদু লেপ্পনা অফবা ফিরেপ ওইরগনি হায়রি।

## বি জে পি লৈঙাক্না ট্রিপুরাদা পার্লিয়ামেন্টরি দেমোক্রেসিগী ৱাহন্থোক লৈহন্দ্রে : মনিক সরকার



অগরটালা, ওগষ্ট ১৪ (এজেন্সী):
সেন্টর অমসুং ষ্টেট অনীমক্তা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক লাকখ্রবা মতুং লৈবাক অসিগী ওইনা লৈজরম্বা দেমোক্রেসিগী ফজখ্রবা মশক অদুবু মাঙহন্নবা হোৎনরকপগা লোয়ননা মসিগী ৱাহন্থোক লৈহন্দ্রে হায়না ট্রিপুরা ওপোজিসনগী লুচিংবা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর মনিক সরকারনা ফোঙদোকখ্রে।

অগরটালাদা ষ্টুদেন্ট ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা সেভ এদ্যুকেসন হায়না মীংথোনবা রেল্লি অমদা ৱা ঙাঙলদুনা ওপোজিসন লিদর মনিক সরকারনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মখা তানা হায়, বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা সেন্টর অমসুং ষ্টেট অনীমক্তা লাকখ্রবা মতুং মীয়ামগী ফংফম থোকপা রাইটশিং ইফোং ফোংনা মৎপগা লোয়ননা মখোয়না তৌনিংবতা তৌদুনা লৈরি। লাইরবা মীয়ামগী মীংদা প্রোজেক্ট অমদি স্কিম কয়া পায়খৎলি। অদুবু হায়রিবশিং অসিগী কান্নবদি মমিং লৌরিবা লাইরবা মীয়ামদা ফংহন্দ্রি। বি জে পি পার্টি অমদি মখোয়গা নক্লবা কোর্পোরেটরশিংনা স্কিমশিং অসিগী কান্নবা লৌদুনা লৈরি। মসিগী ময়েক লারবা খুদম হায়ববু বি জে পি লৈঙাক লাকখিবদগী লৈবাক অসিদা লৌমীশিং মশা মতোমতা শিজবগী চাং খঙহেন হেনগৎলকখ্রে। মসি মখোয়গী ফংফম থোকপা চাকথুংশিং মতম চানা ফংবা ঙম্লক্তবনা মরম ওইরগা ইমুং পুবা ঙম্লক্তবদগী থোরকপা ঙাক্তনি হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ষ্টেট অসিগী হৌগৎলক্লিবা নহাশিংনা মশাগীতা খনবা পার্টি অসিবু পারা অমা তম্বীদুনা মীয়ামগী ওইবা মতিক চাবা লৈঙাক অমা শেম্বগী তঙাইফদা অদু লাক্লে। পার্টিগী য়েংদনা অফবা মীহুৎ খল্লগা ভোৎ পীদুনা অফবা লৈঙাক অমা শেম্নবা হোৎনরসি হায়রি।

## চহী নৌরিবী নুপীমচা মোলেষ্ট তৌনবা হোৎনরম্বা প্রাইভেট ট্যুটর অমা ফারে

গুৱাহাটি, ওগষ্ট ১৪ (এজেন্সি):
মশাগী ক্লাস ফোর খক্তমক তম্লিবী চহী নৌরিবী মহৈরোয় নুপীমচা অমা মোলেষ্ট তৌনবা হোৎনরম্বা প্রাইভেট ট্যুটর অমা গুৱাহাটি পুলিসনা ফারে হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা গুৱাহাটি পুলিসনা ফোঙদোকখিবদা, ফারবা মীওই অদুগী মমিং মনিনুল হক (৫০) কৌই। মহাক ময়ুম মকৈ পান্দুনা নুপী অঙাং লৈরবা মীওই অমনি। গুৱাহাটিগী কথাবারি এরিয়াদা লৈবা প্রাইভেট স্কুল অমদা ওজা ওইনা থবক তৌরগা লৈবা মীওইনি। মশাগী চহী ১০ রোমতমক শুরিবী মহৈরোয় নুপীমচা অসিগী হোম ট্যুটর ওইনা মহাক লৈবনি। অদুবু নুপীমচা অসিগী ইমুং মনুংগী মীওইশিং লৈতবগী খুদোংচাবা লৌরগা ঙরাং মহাক্না নুপীমচা অসিবু মোলেষ্ট তৌনবা হোৎনরমখিবনি। মহৈরোয় নুপীমচা অসিনা মহাক্কী ইমুং মনুংগী মীওইশিং হল্লক্লবা মতুং মমাদা পাউ অসি তমখি। পাউ অদু খুদক্তা মমানা মপাদা তমখি। থৌদোক অসিগী মতাংদা এক্যুজ ওইরিবা প্রাইভেট ট্যুটর অসিনা ভিক্টিমগী মমা মপাদা লাল্লে হায়জখিবগা লোয়ননা ঙাকপীনবা হায়জখি। অদুবু মহাক্কী কা হেনবা থৌওং অদুদা পেন্দবদগী হিরম অসিগা মরী লৈননা ভিক্টিম অসিগী অপোকপনা গারচুক পুলিস ষ্টেটসন্দা কমপ্লেন অমা তৌরকখ্রবা মতুং পুলিসনা কেস অমা লৌখত্তুনা প্রাইভেট ট্যুটর অসি ফাখিবনি। মহাক্কী মথক্তা পুলিসনা তোঙান তোঙানবা আই পি সীগী সেক্সনশিং চার্জ তৌখ্রে হায়রি।

## চিংননিঙাই ওইবা মীওইশিং তোংদুনা লাকপা কারদা নোংমৈ কাপখ্রে

গুৱাহাটি, ওগষ্ট ১৪ (এজেন্সী):
অসামগী মনুং চনবা টিনসুকিয়াদা ইন্দিপেন্দেন্স দে থৌরমগী মাঙওইননা পুলিসনা লৌখৎপা চেকশিন থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা অচৎ অওকশিং চ্যেক তৌদুনা লৈরিঙৈদা য়াম্না চিংননিঙাই ওইবা মওংদা থৌরকখিবা কার অমা খাম্নবা হায়রুবদা খাল্লমদনা থৌখিবদগী কার অদুদা পুলিসনা নোংমৈ কাপশিনখ্রে হায়রি।

রিপোর্টশিংগী মতুংইন্না পুলিস পর্সনেলশিংনা হান্নগুম চ্যেক তৌদুনা লৈরিঙৈদা কার অদু থৌরকখিবনি। কার অদু খাম্নবা হায়রুবদা খাল্লমদনা মফম অদু নাম্থোক্তুনা চেনখিনবা হোৎনখি। কার মনুংদা লালহৌবশিং তোংলম্বা য়াই চিংনবদগী পুলিসনা অমুক হন্না তান্নদুনা খাম্নবা হায়খি। মদুদা য়াদবদগী পুলিসনা কার অদুদা নোংমৈ কাপশিনখি। অদুবু মী চিনবগী খুদোংচাবা লৌরগা কার অদু মফম অদু নাম্থোক্তুনা চেনখিবনি হায়না রিপোর্টশিংনা হায়রি।

## য়াম্নবা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎপা ঙমখ্রে

শিল্লোং, ওগষ্ট ১৪ (এজেন্সি):
মেঘালয়া পুলিসনা হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা ইষ্ট গারো হিলস দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা উমং অমদগী পোকখায়হন্নবা মচাকশিং য়াওনা য়াম্নবা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎপা ঙমখ্রে হায়না পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।

পুলিসকী পাউ মতুংইন্না ইনিদপেন্দেন্স দে থৌরমগী মাঙওইননা ষ্টেট অসিগী ওইনা চিংননিঙাই ওইবা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পুলিসনা থি হুম্বগী থবক চথদুনা লাকখিবনি। গারো নেসনল লিবরেসন অর্মিগী টিম অমা ইষ্ট গারো হিলসকী উমংদা লোত্তুনা লৈরে হায়বগী পাউ ফংলবা মতুং মফম অদুদা চঙশিন্দুনা থিহুম্বা তৌখি। অদুবু মফম অদুদা লালহৌবশিং অদুদি লৈরমখিদে। অদুম ওইনমক মখোয়না লোৎলম্বা ওইরম্বা য়াই চিংনবা এন্টি এয়রক্রাফ্ট এম্মো অমসুং অতোপ্পা পোকখায়হন্নবা মচাক কয়াদি ফাগৎপা ঙমখিবনি হায়রি।

## ‘তোঙানবা ষ্টেটহূদ দিমান্দ তৌরদুনা থা অসিগী ২৩ দা দিল্লিদা খোঙজং চঙশিনগনি’

অগরটালা, ওগষ্ট ১৪ (এজেন্সি):
ট্রিপুরাদা বি জে পিগা পুন্না চৎমিন্নরিবা রিজনেল পার্টি আই পি এফ টিনা থা অসিগী ২৩ দা দিল্লিগী জন্টর মন্টরদা তোঙানবা ষ্টেটহূদ দিমান্দ তৌরদুনা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না পার্টিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।



আই পি এফ টিগী ওইনা ঙসি পাঙথোকখিবা সেন্ট্রেল এগজিক্যুটিব কম্মিটিগী মীফম অমা লোইরবা মতুং পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা ষ্টেট ফোরেষ্ট মিনিষ্টরসু ওইরিবা আই পি এফ টিগীগী চীফ এন সী দেববর্মনা ফোঙদোকখিবদা, ট্রিপুরাগী ওইনা লৈজরিবা রিজনেল পার্টি আই পি এফ টিনা মতম কয়াগী মমাংদগী ষ্টেট অসিদা লৈরিবা ট্রাইবশিংগী য়াইফনবা হোৎনদুনা লাক্লি। অদুবু হৌখিবা চহী খরা অসিদা রিজনেল পার্টি টিপ্রা শেমদুনা টিপ্রালেন্দ দিমান্দ তৌবা হৌরকখিবনি। টিপ্রা থোরকপদগী আই পি এফ টিগী হান্না লৈজরম্বা মপাঙ্গল অদু হন্থখ্রে। রিজনেল পার্টি অনীগী মরক্তা হৌজিকসু চাওনা মুক্নবশিং লৈরি। চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোকখিবা টি টি এ এ দি সী ইলেক্সনদা আই পি এফ টিনা চাওনা মায় পাক্কনি হায়না থাজরম্বা অদুগী ওন্ন তৈনবদা টিপ্রানা চাওনা মায় পাকখি। মসি ঐখোয়গী ওইনদি য়াম্না লাইবক থিবনি।

অমরোমদা পার্টি মরক্তা য়ানদবা অমদি ৱাখল্লোন মান্নদবা কয়া থোরকপনা মরম ওইরগা টিপ্রানা খুদোংচাবা লৌখিবনি। অদুবু টিপ্রালেন্দ তানবগী মতাংদদি ঙসি ফাওবা পার্টি অসিনা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোক্তনা লাক্লি। মসিনা মরম ওইরগা পার্টি অসিদা মীয়াম্না থাজবা মাঙশিল্লকপনি। অদুবু আই পি এফ টিনা লমদম অসিগী মীয়াম মরুওইনা ট্রাইবেলশিংগী হেন্না খল্লি হায়বদু উৎনবগীদমক থা অসিগী ২৩ দা দিল্লিদা চত্তুনা ষ্টেটহূদ দিমান্দ তৌগনি অমদি খোঙজং চঙশিনগনি হায়রি।

মহাক্না হায়খিবদা, থা অসিগী ১৮ দা আই পি এফ টিগী লুচিংবশিং দিল্লিগীদমক অগরটালা থদোক্লগনি। অদুবু মখোয়না হন্দক লৌরক্লিবা ফিরেপ অসিদা লৈঙাক পায়মিন্নরিবা বি জে পিনা মতেং পাংলক্কদ্রা হায়বগী মতাংদদি ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকখিদে হায়রি।




ইরোং লাইফমলেল, ইরোইশেম্বদা মণিপুরী ক্লাসিকেল দান্সকী মতাংদা পাঙথোকখিবা ইন্টেন্সিব ট্রেনিং কোর্স হৌদোকপগী থৌরমদা দাইজ মেম্বর ওইনা ফমখিবশিং

## CROSSWORD-3615



### ACROSS

1 Underskirt (9)
6 Dance (3)
8 Appear unexpectedly (3,2)
9 Consoled (7)
10 Give back (7)
11 Toy bear (5)
12 Vendor (6)
14 Not so fast (6)
18 Religious factions (5)
20 Unorthodox believer (7)
22 Irritated (7)
23 Phrase on a coat of arms (5)
24 Swindle (3)
25 The recent past (9)

### DOWN

1 Ancient writing material (7)
2 Sorts, varieties (5)
3 Beseech (7)
4 Marine mollusc (6)
5 Available for renting (2,3)
6 Bird of the crow family (7)
7 Dizzy (5)
13 Reading desk (7)
15 Wyoming city (7)
16 Clergyman's house (7)
17 Sunglasses, colloquially (6)
18 Coins (anag) (5)
19 Foolish (5)
21 Carried (5)

**Solution 3614**

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| A | B | A | C | U | S | | P | R | E | A | C | H |
| S | | N | | N | | | | E | | P | | E |
| S | W | O | R | D | | A | D | M | I | R | A | L |
| E | | T | | E | | S | | O | | O | | P |
| S | P | H | E | R | E | S | | V | E | N | U | E |
| S | | E | | | | A | | E | | | | D |
| | | R | E | S | C | I | N | D | E | D | | |
| B | | | | O | | L | | | | I | | G |
| O | U | T | E | R | | A | L | L | O | V | E | R |
| T | | E | | C | | N | | A | | E | | E |
| T | A | N | G | E | N | T | | T | H | R | E | E |
| O | | O | | R | | | | E | | S | | D |
| M | A | R | T | Y | R | | A | R | T | E | R | Y |

SOLUTION ON NEXT ISSUE

# HUEIYEN SUDOKU

## Hueiyen Sudoku-4016

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 7 | | 6 | 4 | | 9 | | |
| | 2 | | | 5 | | 7 | | |
| 4 | 9 | | 1 | | | | | |
| 5 | | | | | | 8 | | |
| | 3 | | 2 | | 1 | | 7 | |
| | | 7 | | | | | | 1 |
| | | | | | 3 | | 8 | 6 |
| | | 1 | | 6 | | | 2 | |
| | | 4 | | 2 | 9 | | 5 | |

### Solution-4015

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 6 | 1 | 4 | 7 | 5 | 8 | 2 | 3 | 9 |
| 2 | 9 | 5 | 3 | 6 | 4 | 8 | 1 | 7 |
| 3 | 7 | 8 | 2 | 1 | 9 | 6 | 4 | 5 |
| 5 | 4 | 1 | 9 | 8 | 2 | 7 | 6 | 3 |
| 9 | 3 | 7 | 5 | 4 | 6 | 1 | 8 | 2 |
| 8 | 6 | 2 | 1 | 3 | 7 | 5 | 9 | 4 |
| 4 | 8 | 3 | 6 | 7 | 5 | 9 | 2 | 1 |
| 1 | 5 | 9 | 8 | 2 | 3 | 4 | 7 | 6 |
| 7 | 2 | 6 | 4 | 9 | 1 | 3 | 5 | 8 |

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

## EMPLOYMENT NEWS

### INDIAN ARMY AIZAWL RECRUITMENT 2022 FOR AGNIVEER

The Indian Army Agniveer Recruitment 2022: Advertisement for the post of Agniveer in The Indian Army. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 03 September 2022. Candidates can check the latest The Indian Army Recruitment 2022 Agniveer Vacancy 2022 details and apply online at the indianarmy.nic.in/ recruitment 2022 page.
The Indian Army Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ indianarmy.nic.in/. The Indian Army selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Delhi. More details of indianarmy.nic.in/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Job Locations Aizawal
Experience Fresher
Salary 30000 - 40000(Per Month)
Educational Qualification:
Agniveer (General Duty): Class 10th (Matric) pass with 45% marks in aggregate and 33% in each subject. For boards following the grading system minimum of ‘D’ grade (33% - 40%) in individual subjects or grades with 33% in individual subjects appeared and an overall aggregate of ‘C2’ grade or equivalent corresponding to 45% in aggregate.
Agniveer (Technical): 10+2(Intermediate) Exam Pass in Science with Physics, Chemistry, Maths, and English with minimum of 50% marks in aggregate and 40% in each subject appeared. or 10+2 (Intermediate) Exam Pass in Science with Physics, Chemistry, Maths & English from any recognized State Education Board or Central Education Board to include NIOS and ITI course of min one year in the required field with NSQF level 4 or above.
Agniveer (Clerk / Store Keeper Technical): 10+2 (Intermediate) Exam Pass in any stream (Arts, Commerce, Science) with 60% marks in aggregate and min 50% in each subject. Securing 50% in English and Maths/ Accounts/ BookKeeping in Cl XII is mandatory.
Agniveer Tradesmen 10th pass: (i) Class 10th simple pass. (ii) No stipulation in aggregate percentage but should have scored minimum 33% marks in each subject appeared.
Agniveer Tradesmen 8th pass: (i) Class 8th simple pass. (ii) No stipulation in aggregate percentage but should have scored minimum 33% marks in each subject appeared.
Experience: Please refer to official document
Skills / Eligibility
Pay Scale: INR 30000 - 40000(Per Month)
Age Limit: 17½ - 23 Years.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/medical test/walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Agniveer in Indian Army.
How to Apply:
If you are interested in applying for Indian Army Recruitment 2022, then apply before 03/09/2022. If you want to know the procedure to apply for the Indian Army Recruitment 2022, then follow the steps given below.
Step 1: First, you will need to visit the Indian Army official website indianarmy.nic.in
Step 2: Once you enter the website look out for the Indian Army Recruitment 2022 notification.
Step 3: Read all the details and criteria to proceed further with the application
Step 4: Now the candidate should fill in all the necessary details. Make sure that you do not miss out any section in the application.
Step 5: Apply or send the application form before the last date.
Important Dates:
Published on: 09 August 2022
Last date for application is: 03 September 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

### CBIC RECRUITMENT 2022 FOR HAVALDAR

CBIC Havaldar Recruitment 2022: Advertisement for the post of Havaldar in CBIC. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 31 August 2022. Candidates can check the latest CBIC Recruitment 2022 Havaldar Vacancy 2022 details and apply online at the www.cbic.gov.in/ recruitment 2022 page.
CBIC Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ www.cbic.gov.in/. CBIC selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Telangana. More details of www.cbic.gov.in/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Vacancy Circular No:
Central Board of Indirect Taxes and Customs (CBIC)
invites applications for recruitment of Havaldar
Havaldar
Job Location:
-, Shillong, - Meghalaya
Last Date: 31 August 2022
Employment Type: Full Time
Number of Vacancy: 1 Post Posts
Central Board of Indirect Taxes and Customs (CBIC)
Central Board of Indirect Taxes and Customs (CBIC)Recruitment 2022
Details
Company CBIC
Job Role Havaldar
Education Requirement
Total Vacancy 1 Post
Job Locations Shilong
Experience Fresher
Salary Not Disclosed
Posted on 03 Aug, 2022
Last Date To Apply 31-08-2022
Educational Qualification: Please Refer Official Notification
Skills / Eligibility
Pay Scale:
INR
Not Disclosed
Age Limit: As per company rule.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/medical test/walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Havaldar in CBIC.
How to Apply:
Candidates must apply for CBIC Recruitment 2022 before the last date announced. Candidates, who apply for the CBIC Recruitment 2022, can follow the procedure given to apply.
Step 1: Visit the official website of CBIC cbic.gov.in
Step 2: Search the notification for CBIC Recruitment 2022
Step 3: Clearly read all the details given on the notification
Step 4: Check the mode of application as per the official notification and proceed further
Important Dates:
Published on: 04 August 2022
Last date for application is: 31 August 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification



ৱারী মমিং :
য়াইতম্বা
ইবা অমসুং য়েকপা : সমসন সলাম

